# তখেল্লম্বম রঘুমনিগী ইঙ্গিৎ অনোই প্লে– “নোংমৈ মরু”



য়েংনিং য়েংনিংবা য়েংবা ফং খিদ্রবা মরূপ অমনা ইহান হানবা ওইনা দাইরেক্সন তৌদুনা পুথোকপা নন–ভরবেল ইঙ্গিৎ অনোই প্লে “নোংমৈ মরু” উৎখিবা নুমিৎ অদু বন্দ অমা তৌগনি হায়দুনা লাওথোকখ্রগা হন্দোকখ্রে হায়! হন্দোক্তে হায়! চমন্নদুনা অদুম খুদোংচাবা অদু মাঙখি।

লোয়ননা মরুপকী মফমদা পূন্সি চুপ্পা ইকায় ফিরুক খুল্লগদরা হায়দুনা খল্লম্বনি অদুবু, ইথা থাজদনা ওগষ্টকী তারিক অমদা লোৎপা য়াদবা তাঞ্জা অমদা য়ুম্নাম লৈকাইদা লৈবা কঙলৈ মাইম রিপেটোরি থিয়েটর, ইম্ফালগী চঙফমদা মায়োক্নদুনা ব্বারী শান্নবগী তাঞ্জা অমা ফংখি।

ঐনা নুমিত্তুদা মরুপকী প্লে য়েং হৌদবগী ব্বাফম হৌদোক্লুবদা, ইরায় লাইনা, ঐনা শঙবা নুমিৎ অমদা লাক্তুনা মাগীদা লৈবা ভিদিও রিকোর্দিং অদু য়েংবা লাকনবা হায়বীরমবদুনা, ঐনা থা ৩,৪ মরুপ্তুগা উন্নরগা করি হায়গদগে খনবদা অব্রাবা অমা ওইরম্বা অদু খরমখৈদি য়াঙলে।

নুমিত্তুগী নোংঙানবদা ঐনা মরুপকী ময়ূমদা চঙদুনা মাগী লেপতোপ্তা য়াওবা ভিদিও রিকোর্দিং অদু য়েংলুরবা মতুংদা অনৌবা নিংঙমদবা অমনা হেন্না চৈনা অমা পীবগুম তৌরকখিবগী পাউদমদুনি মীয়ামদা থমজনিং লিবা।

য়েঙলু য়েঙলুবা মায়কৈদা পেন্নিংঙাই ওইদ্রবা লমদম অসিদা খাংঙমদ্রবা অব্রা–চৈনা কয়া উপায় লৈত্তনা খাংদুনা লৈরক্লি, অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা জগোয়, ঈশৈ, থিয়েটর, ফিল্মনচিংবা কয়াদা অইবশিংনা সমাজ অসিদা উৎনিংবগী নুংদা ওমদুনা লৈরিবা পেনদবা কয়া অসি মাগী–মাগী হৈনজবা মওং অমদা ফোঙদোরক্তুনা পেনদবা কয়াদু ব্বাকৎনরক্লি।

হায়রিবা ব্বাফম অসিদা চেৎনা থাজবা অইবা সুধিরঞ্জন মোইরাং থেমগী “নুংশিরবা মরুপকী মপাও” কৌবা ব্বারী মচাগী লাইরিক অমদা য়াওবা “লমশি অমদি তম্নলাই” কৌবা ব্বারি মচা অমদা য়ুম্ফম ওইদুনা কঙলৈ মাইম রিপেটোরিগী শিংথানিংঙাই ওইরবা তখেল্লম্বম রঘুমনি সিংহগী দিজাইন অমদি দাইরেক্ট তৌদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেন্থং মখাদা ইন্দিভিজ্যুএল প্রোজেক্ট প্লে অমা ওইনা উৎখিবা ইঙ্গিৎ অনোই প্লে অসিবু প্রজেন্ট তৌরিবনা কঙলৈ মাইম থিয়েটর, রিপেটোরি ইম্ফাল অমসুং আরব্রিভেল সেন্টর ফোর আর্টস, ইম্ফালনা ওইরিবা লোল য়াওদবা ইঙ্গিৎ অনোই “নোংমৈ মরু” হায়রিবা প্লে অসি চৎলিবা চহি অসিগী মার্চ থাদা পেলেস কম্পাউনদা লৈবা চন্দ্রক্রিটি ওরিটোরিয়মদা উৎখি।

ইঙ্গিৎ অনোইগী প্লে মখা অসি ঐখোয়না য়াম্না তোইনা উবা ফংদবা, তাঙনা উবা মখল অসি য়াম্না লিক্লা উবা ওইরগসু মীয়াম্না পান্নবা মখলগী আর্ট ফোর্ম অমদি অদুম ওইরি।

অসিগুম্বা নন–ভরবেল প্লে অসি মরুওইনা লমদম অসিদদি–কঙলৈ মাইম থিয়েটর, রিপেটোরি অসিমদি লমদম অসিদতা নত্তনা নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা ফেষ্টিভেল কয়া য়াওরুরবা সংস্থান অমা ওইনা খংনরি।

ঐচ রাজেসে

রিপেটোরি অসিগী দাইরেক্টর য়ুম্নাম সদানন্দ সিংহ নি। তখেল্লম্বম রঘুমনি মশামকসু রিপেটোরি অসিগী আর্টিষ্ট অমনি।

তখেল্লম্বম রঘুমনি সিংহ ইঙ্গিৎ–অনোই প্লে অসিগী শিংথানিংঙাই ওইরবা আর্টিষ্ট অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা প্লে কয়াদা শরুক য়ারুবগা লোয়ননা নেসনেল স্কুল ওফ দ্রমা, ন্যু দিল্লিনা শিনবা ইন্টরনেসনেল থিয়েটর ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়া নৎত্রগা ভারত রঙ্গা মহাউৎস্বর হায়না খংনবা অসিদা ইং ২০০১, ২০০৩, ২০০৮ দা শরুক য়াখ্রে।

লোল য়াওদবা হকচাংগী শাথেক শকফমগী শৈরেংবা অমা ওইনা চোংথোরক্লিবা রঘুমনিনা কবি অমগী শক্তম লৌদুনা মফমদা মশাগী মরাল খঙদনা নোংমৈ মরুদা শিখ্রবা থব্রায় কয়াগী ব্বাকৎ মীয়ামদা তম্নবা হোৎনরি।

মনুং মতম চাদনা লৈখিদ্রবা অমগীদমক ফিঙৌ শেৎপী কয়ানা অব্রাবা ফোংদোকপা খোঙচৎ অমদা “মীচম হাৎপা লেপ্পু”, “মরাল লৈবা চৈরাক পীয়ু” হায়বনচিংবা প্লে কার্দ না অয়েংবশিংবু পাউ ফাওননবগী মরম অমা ওইরি।

মঙলান অমগুম্না দাইরেক্টর অসিনা নিংথিনা মফম চানা শিজিন্নরিবা ফ্লাস বেক অসিনা অয়েংবশিংদা য়াম্না লাইনা গ্যান তাহনবা ঙম্বা অমা ওইরি।



পেনদবা খোইশাওনরবা কয়াগী মাইথোং হকচাং পুম্বগী চিংখাইনরবা শাথেক মথং–মথং উত্তুনা নুংগী পেনদবা পুম্বা শাথেক্না ওইনা ফোঙদোরক্লি। মপাঙ্গল কল্লবা ম্যুজিকনা শিঙমদনা শিখ্রবা থব্রায়শিংগী য়াতাফম অমা মশক তাকপদা থোইনা হেন্না মপুং ফাহনলি।

নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিংগী অতৎপা মখোং, মখূৎশিংনচিংবা ফিভম চাদবা কয়াসু মতাং চানা সিমবোলিক ওইনা শিজিন্নরিবা অদুনা থৌদোক অদুবু মীৎমাঙদা চিংশিনদুনা উবা ঙমহনবা অমা ওইরি।

লোয়ননা অচৌবা নোংমৈ মরু অমা নোংমৈ মরুনা শিখিবা থব্রায় অমনা পোদুনা পুথোরকপা কয়া অসি তশেংনা মীৎফম হোংবা য়াদবা ইঙ্গিৎ অনোই প্লে অমা হায়বদু ওইরে।

নোংমৈ হায়রিবা ইঙ্গিৎ অনোইগী প্লে অসিগী দাইরেক্টর অমা ওইরিবা রঘুমনিগী নন–ভরবেল প্লে অসি মশামক্লা দাইরেক্সন পীবা অহানবা ওইদুনসু বোদিনা মিন অমা ওইদুনা লিরিবা ব্বারি অদু চপচানা ভাবকতা য়ৌহনবা ঙম্বা অমনি। ব্বারী লিবগী মওং, লায়না লুহনদবা ফোর্মুলা ওইবা মওংদা শেমলি।

তাখেল্লম্বম রঘুমনি সিংহ দাইরেক্টর অমা ওইনা মহাক্কী অহানবা খোঙচৎ অসিদা মায় পাকপা অমদি ওইরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই।

অদুগা পার্ফোমেন্স অদুদা লোল য়াওদবা মরমনা রঘুমনিগী অহানবা খুৎথা ওইরবসু মায় পাক্লবা প্লে অমদি ওইরে।

হায়রিবা প্লে অসিদা শক্তম লাংলিবা আর্টিষ্টশিংদিঃ– ব্বাই লিদর, টি ঐচ রিসিকান্ত, এম ইনাওতোন, এম প্রেমচন্দ্র, আর কে লিন্দসানা নি।

চাইল্ড আর্টিষ্টতা –কে রোবিনসন শর্ম্মা অমদি আর কে বিতেস নি।

ওফ ষ্টেজতা লৈরিবশিংদি– মুজিক্তা এল পৃথিবিরাজ, সাউন্দদা–ইনাওমাচা, লাইটতা জি ইনাওতোম্বা শর্ম্মা, সেট অমদি প্রুপসতা ব্বাই লিদর, কষ্টুমদা এস উশারানি চনু নি।

কসলটেন্টতা– ডাঃ ব্বাই সাদনন্দ, দাইরেক্টরদা কেএমটিআর, গ্যানেশ্বরি–প্রসিদেন্ট এসিএনা ওইরি।

অরোইবদা কঙলৈ মাইম রিপটোরি হায়রিবা ওর্গনাইজেসন অসিনা নন–ভরবেল মাইম প্লেগী অকনবা ঈহৌ অমা শাগৎনবা লমদম অসিদা হোৎনরকপগী শরুক অমা ওইনা অনৌবা দাইরেক্টর, দিজাইনর অমমুক শেমগৎলকপসিদি থাগৎনিংঙাইনি।

লোইশিল্লকপদা ঐগী মরুপ রঘুমনি সিংহ না দাইরেক্সন পীবা ইঙ্গিৎ অনোইগী প্লে অসি য়েংলুরগা থোরকপা ভাবকশিংগী শকফম উবা ফংহৌদবা অসিমদি নিংঙমদবা অমা ওইদুনা লৈহৌরে।

## মহৈরোইশিংগী খুদোল




TITLE,:SCENERY
**Tanushri Gurumayum**
Class: V
Sec : B ,
Roll No-28
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM




TITLE,:SCENERY
Ch Gia Devi
Class:III
Sec :C,
Roll No- 35
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN




TITLE,:SCENERY
**Leneihoi Hashi khongsai**
Class: X
Sec : A ,
Roll No-36
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN




TITLE,: TWO LADY
**M. Shuhna**
Class:VI
Sec :C,
Roll No- 9
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN






TITLE,:KAKASI
**Khundrakpam Prithiraj**
Class:VI
Sec : B,
Roll No-10
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM



TITLE,: KHAMBA, THOIBI
**Rashidev Moirangthem**
Class:X
Sec :D,
Roll No-25
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN




TITLE,:MOTHER LOVE
**Thounaojam Topper**
Class: VI
Sec : B ,
Roll No-30
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM




TITLE,:SCENERY
**Shripriya Oinam**
Class:I
Sec :B,
Roll No-3
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN






TITLE,: FLOWER
**Wangoleima Chanu**
Class :III,
Sec : B,
Roll No-18
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN

TITLE,: DISNEY PRINCESS
**Ch. Dolika**
Class: VII
Sec : C,
Roll No- 6
School: R.K Sanatombi Devi



TITLE,: FISH
**nevan Yannick**
Class: I
Sec : C,
Roll No-16
School: The Blossom School






TITLE,: LADY
**Treaty Moirangthem**
Class: VI,
Sec : B
Roll No-32
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM



TITLE :BIRDS
**Ayushi Sharma**
Class: VI,
Sec : B,
Roll No-40
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN






TITLE : PRINCESS
**Bansi**
Class: IV
Sec : D,
Roll No-20
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN




TITLE,: SCENERY
**Jaysya Ch.**
Class:VII
Sec :C
Roll No-37
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN




TITLE : BARBIE
**Lanchenbi W.**
Class: IV,
Sec :D
Roll No-5
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*